HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


পোষ্টেল দিভিজন ইম্ফালনা শীন্দুনা দিন দয়াল স্পার্শ (এস পি এ আর এস ঐচ) যোজনাগী মখাদা পীবা ফিলান্তরি স্কোলারশিপ য়েন্থোকখিবগী শক্তম



লামায় ১

এম দি যু হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা গুরু থোকচোম অঙৌবা নীংশিং শেলগী মনা ২০১৮ শক্লাইরবা শৈশকপা অমসুং ভাইওলিন খোংবা মোইরাংথেম কুমারদা খুৎশিন্নবগী শক্তম




উসোইপোকপীদগী গাড়ী ড্রাইভর অমা ২৬ শুবা এ আর অমদি থৌবাল কম্মান্দোগী কন্সাইন্দ টিমনা ফাখ্রগা শিরে হায়বা থৌদোক্কী মায়োক্তা মীয়াম হৌরক্তুনা লিলোংদা লম্বী থিংখিবা



লামায় ৩

তেংনৌপলদা লৈবা ১২শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা গভর্ণর নজমা হেপ্তুলানা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবগী শক্তম



Vol. 42, Issue No.268 | ইরাই, পোইনু ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, December 21, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মরাইবক করি ওইগদৌরি?

# উরেপ-উয়ুং তমখিবা চহী ফারক্লবসু ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স ফংদবনা শেমগৎ-শাগৎপা হৌদনা লৈরি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০(ঐচ এন এস): মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মমাংদা মণিপুরবু মশক তাক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী তাংদাংবা কেম্পস অমা লৈতবনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরাইবক করি ওইগদৌরি হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ২৫ দা মণিপুর লৈঙাক্কী গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর এক্ট ২০১৫ চৎনহনবা হৌদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর হাংদোকখি। লমদমসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ অমসুং কলচরগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া লৈহন্দুনা হাংদোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শেমগৎ-শাগৎননবা ৱাখ নোংমাইচীং চীংখোঙদা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ২৮ দা উরেপ উয়ুং তমখি। য়ুনিভর্সিটি অসি শেমগৎ-শাগৎননবা উরেপ উয়ুং তমখিবা চহী ১ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ফোরেষ্টকী ক্লিয়ারেন্স ফংদবনা হৌজিক ফাওবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অমত্তা হৌদনা লৈরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা লিংখৎখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসি অহানবদদি কৌক্রুক্তা শাননবা থৌরাংলমখি। অদুবু, মফম অদুদগী অমুক হোংদোরক্লগা ৱাখ নোংমাইচীং চীংখোঙদা শাননবা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ২৮ দা উরেপ উয়ুং তমখিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়ুনিভর্সিটি অসি শেমগৎ-শাগৎননবা একর ৯৮.০৮১ পাক চাওবা লম পীরকখি। অদুম্মকপু মফম অসি রিভার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া ওই হায়দুনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শেমগৎ-




আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী কমপ্লেক্সতা মতম খরগী ওইনা লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক

শাগৎপগী থবকশিং মতম খরগী ওইনা লেপ্পনবা খঙহল্লকখি। মদুগী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি অসি শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স লৌননবা মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোল থাগৎখি। মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনসু মফম অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসি শাবদা অয়েৎপা লৈত্রে হায়বা ৱাফমদি খঙহল্লকপা লৈখ্রে। মসিগী মতুংইন্না ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স পীবীনবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টগী শিল্লোংদা লৈবা রিজনেল ওফিসতা অইবা চেরোল অমসু য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী থাখ্রে হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টনা ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স অসি পীরক্ত্রিবনিনা ৱাখ নোংমাইচীং চীংখোঙদা য়ুনিভর্সিটি অসি শাননবা উরেপ উয়ুং তম্লুরবসু শাবা হৌবা ঙমদনা লাকপনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## এম পি সী বিদা অশাবা পোষ্ট ক্রিয়েসন, এপোইন্টমেন্ট ওর্দরনা থবক তৌবা য়াওরব্রা?

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট লোয়শঙগী মখাদা লৈবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (এম পি সী বি)দা শাশিন্নবা পোষ্ট ক্রিয়েসনদগী হৌরগা অশাবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দরনা থবক তৌরগা প্রমোসন ফংখিবা ওফিসর কয়া য়াওরব্রা হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লিবা ৱাহং অমা ওইরক্লে।

চীনবুং য়ৈনা অঙকপা অমগা লোয়ননা হংনরক্লিবা মীয়ামগী ৱাহং কয়া অসিদগী পাউচে অসিনা থিগৎলুবদা বোর্দসিদগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট কয়া ফংলে। লোয়ননা মকোক থোংবা ওফিসল খরগা উনদুনা ৱারী শানরুবদা শাশিনন্নবা পোষ্ট ক্রিয়েসনগী মতুংইন্না হাপচিনখিবা ওফিসর খরগী মতাংদা মরিক চুন্বা রিপোর্টশিং ফংবা ঙল্লক্লে।

দোক্যুমেন্টশিংসিদা য়ুম্ফম ওইবা পাউনা হায়বদা খুরাই এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা চান্দম মনিহারনা বোর্দ অসিগী চেয়রমেন ওইরিঙৈ কুমজা ১৯৯৯ গী জুন ১২ দা বোর্দসিগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিফিক ওফিসর (পি এস ও)গী পোষ্ট অমা ক্রিয়েসন তৌরমখিবনি হায়বগী ওর্দর পুথোরকপা ওফিসর অমনা ঙসি ফাওবা পোষ্ট অসি পুদুনা লাকখি। লোয়ননা থেঙখাং অনীরক্তা ওফিসর অসি পোষ্টসিদা প্রমোসন পীরম্বগী মথক্তগী রিগ্যুলরাইজেসনসু পীথোক্লম্লে।

চান্দম মনিহার মশানা খুৎয়েক পীখিবা পোষ্ট ক্রিয়েসনগী ওর্দর অদুগী নম্বরনা পি সী বি/২/৮৯-৯০ নি। ওর্দর অসি ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টনা সেপ্টেম্বর ২৫, ১৯৯৭ তা থোকখিবা ওর্দর নম্বর-৫৫/৬/৯৭কী মতুংইন্নি হায়বগা লোয়ননা পোষ্ট অসি পুগদবা ওফিসর অদুগী পে স্কেলনা লুপা ৩০০০ দগী লুপা ৪৫০০ ফাওবা ওইগনি হায়বতা নৎতনা ওর্দর অসি খুদক্তগী চৎনগনি হায়বা ৱাফমসু পনখি।

ওর্দর অসিগী কোপিশিং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট), বোর্দসিগী মেম্বর সেক্রেটরি, ঈ ঈ, এল ও, এস এস ও, এ ও, কেশিয়রনচিংবদা পীখিবগা লোয়ননা বোর্দকী ওফিস ওর্দর বুক্তসু হাপচিন্দুনা থমখি।

খ্বাইদগী ঙক্লিবদি বোর্দকী চেয়রমেননা খুৎয়েক পীদুনা পোষ্ট অসি ক্রিয়েসন তৌরে হায়দুনা থোকখিবা ওর্দর অসি কুমজা ১৯৯৯গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## স্কোলারশিপ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০(ঐচ এন এস): পোষ্টেল দিভিজন ইম্ফালনা শীন্দুনা দিন দয়াল স্পার্শ (স্কোলারশিপ ফোর প্রমোসন ওফ এপটিচ্যুদ এন্দ রিছার্স ইন ষ্টাম্পস এজ এ হোবি) যোজনাগী মখাদা পীবা ফিলান্তরি স্কোলারশিপ য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি পোষ্ট ওফিস, ...মখা লামায় ৩ কলম ২


MEDILANE

Medilane Ambulance number
8723004849, 7085244123
7085396969, 7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.
Free AMBULANCE SERVICE for accident.


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২২.৯৬ °C | ১৩.৪২ °C |
| চান্দেল | ২৭.৮০ °C | ১০.৮৯ °C |
| সীসীপুর | ২৭.১২ °C | ১২.৯২ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.৮৬ °C | ০৯.৭৩ °C |
| সেনাপতি | ২২.৬৭ °C | ০৭.৫১ °C |
| তমেংলোং | ১৯.২৬ °C | ১০.৪২ °C |
| থৌবাল | ২৩.৩৭ °C | ১২.৮৬ °C |
| উখ্রুল | ১৮.৮৬ °C | ০৬.৮৬ °C |
| মণিপুর | ২৮.০০ °C | ০৬.৮৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.975856 |
| US Dollar | 69.737001 |
| British Pound | 88.568888 |
| Australian Dollar | 49.838243 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.127225 |
| Japanese Yen | 0.624389 |
| Malaysian Ringgit | 16.710505 |
| Australian Dollar | 49.838243 |
| Singapore Dollar | 51.004547 |
| South Korean Won | 0.062246 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.596534 |
| Thai Baht | 2.135093 |
| Myanmar Kyat | 0.04430 |
| Bangladesh Taka | 0.83095 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 31721.93 |
| Mumbai | – | Rs 32780.75 |
| Delhi | – | Rs 32406.42 |
| Kolkata | – | Rs 32866.31 |

### HL POLL

Q : Imphal-Jiribam lambi shemjinbada leingakki mityeng changba watli haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur dagi essential oil marang kaina puthoklabadi shenmitlonda chaona kannaba pigani khanbra?

Yes 80% No 20%

## বাজপায়ী, এস এস সিধু, ফুংজাথাং লৈখিদবগী ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী নিংথম মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অতল বিহারি বাজপায়ী, মণিপুরগী গভর্ণর ওইরম্বা ডা. সিবিন্দর সিংহ সিধু অমদি হান্নগী মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোনসিংনা হন্দক্তা লৈখিদবদা ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পীবগা লোয়ননা হাউসকী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙখ্রে।

ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পীরদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা বাজপায়ী মশক নাইবা লুচিংবা অমনি। মীয়াম্না বেষ্ট পার্লিয়ামেন্টরিয়ন হায়না খঙনরিবা বাজপায়ী কুমজা ১৯২৪ দা পোকখি। কুমজা ২০১৮গী ওগষ্টতা লৈখিদবনি। তাঙ্কক অহুম্লক্তা বাজপায়ী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি। অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৬ তা অতল বিহারি বাজপায়ীনা নুমিৎ ১৩নি প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পুরমখি। মসিগী মথংদা অনীশুবা তাঙ্কক্তা থা ১৩ প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখি। অরোইবা টার্মদদি চহী ৫ মপূং ফানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি।

ভারত রত্নগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মিংথোল ফংখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অতল বিহারি বাজপায়ী দিকেদ মরিরোম ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন ওইনা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌরমখিবা মীওইনি। বাজপায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পোখ্রানদা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তৌখি। লৈবাক অসিগীদমক মশক থোকপা থবক কয়াসু তৌরম্বা লুচিংবা অমনি।

লুচিংবা অসিনা তৌরম্বা থবক থৌরম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## বিল অনী পুথোকখ্রে, বিল অমা এসেন্ট পীরকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০(ঐচ এন এস): তরামথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী তরুকশুবা সেসনগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা বিল অনী পুথোকখ্রে।

এসেমব্লিগী নীংথম মীফম হৌবা নুমিত্তা হোমগী চার্জসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা দি মণিপুর প্রোটেক্সন ফ্রোম মোব ভাইওলেন্স বিল ২০১৮ (বিল নম্বর ১২ ওফ ২০১৮) হাউসতা পুথোকখি। তুংদা ফাইনান্সকী চার্জ পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা দি মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৮ (বিল নম্বর ১১ ওফ ২০১৮) হাউসতা ইন্ট্রর্দ্যুস তৌখি।

মীফম অদুদা এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা, দি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট (মণিপুর এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৮ অসি চহীসিগী সেপ্তেম্বর ১৭ তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীরক্লে হায়বা হাউসতা ইন্টিমেট তৌখি। ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দি মণিপুর প্রোটেক্সন ফ্রোম মোব ভাইওলেন্স ওর্দিনান্স ২০১৮ (মণিপুর ওর্দিনান্স নম্বর ৩ ওফ ২০১৮) পেপরসু হাউসতা থমখি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা দি মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স ২০১৮ (মণিপুর ওর্দিনান্স নম্বর ২ ওফ ২০১৮) গী পেপর হাউসতা থমখি।

### এন ঐচ শেম্বগী থবক পন্থবদগী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই কয়া শিরে : সুর্যকুমার

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ১০২গী লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী লম্বী শেম্নবা টেন্দর অপলোদ তৌখ্রে। লম্বী শেম্বগী থবক য়াঙশিন্নবা অমদি অচৎ-অওকশিংদা শোকহন্দনবগী কাঙলোনশিং ঙাক্লবা ওফিসলশিংদা খঙহন্দুনা য়েংশিনগনি হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা ঙসি এসেমব্লি মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লি মীফমদা এম এল এ ওক্রম সুর্যকুমারনা এন ঐচ-১০২ শেম্বদা তপথৈ হায়বগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম ...মখা লামায় ৩ কলম ৪


ভারতীয় ডাক | India Post

PHILATELY

Department of Posts, Manipur Postal Division, distributed Rs. 1,56,000/- for 26 selected students @ Rs. 6,000/- each on 20th December 2018 under 'DEEN DAYAL SPARSH YOJANA-2018'. Manipur secured the highest number of students for disbursement of Scholarship in 2018-19.

'HURRY UP' 'HURRY UP'

TO PARTICIPATE THE DEEN DAYAL SPARSH YOJANA IN 2019-20

Kindly contact Postmaster, Imphal HPO and Contact no. 0385-2450146 / 8787371762

HL-B/5069/21




(L) Shri C. Peter Ngahanyui IPS
12th February 1952 – 21st December 2011

The righteous perisheth, and no man layeth it to heart: and merciful men are taken away, none considering that the righteous is taken away from the evil to come.
He shall enter into peace: they shall rest in their beds, each one walking in his uprightness
Isaiah 57: 1, 2

Sujata,
Arthur, Jacintha, Cecelia, Wungpam, Simon, Kharupmi, Lemmet, Reeya & Katherine

HL-C/107/21

### অস! লোইরেহে!

মাগী ইবোতোন অসে শেল থোক্তদুনা ঙাওচৎনরম্বনি ঐনা লীলা য়াওহনবদগী নুংঙাইরে!



অদুনি তাদা মোইবুং খোংবা, পালা শকপা নহাশিংনা তমগদবনি!

## সিনিয়র জর্নেলিষ্ট য়েন্দ্রেম্বম মঙ্গি নিংথৌজা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা ফোঙবা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা এদিটর ওইরম্বা শক্লাইরবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট য়েন্দ্রেম্বম মঙ্গি নিংথৌজা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাউনা কৈথেলদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৬৮ শুখ্রে।

শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট অসি ৱাংজিংদগীনি। হৌজিক্লা পাউনা কৈথেলদা লৈবনি। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে হুইয়েন লানপাউ, ৱায়েন কাটি, নোংঙাল্লকপা, কংলৈপাক্কী মৈরা, মতমগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪


No to Chemical
Yes to Organic

ORGANIC ENSURES YOU

TRUST QUALITY

Organic MANIPUR

RELIABILITY ECO-FRIENDLY

ORGANIC MANIPUR
for healthy and sustainable Manipur

MANIPUR ORGANIC MISSION AGENCY (MOMA)
Department of Horticulture & Soil Conservation, Manipur
Department of Agriculture, Manipur

HL-P/2437/14/12/18-14/01/19



Aptech LEARNING
IMPHAL CENTRE
YAIPHAKOL Building
Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528

ADMISSION OPEN

Spoken English
Read
Write
Listen
Speak
Designed by Middlesex University London

Computer Courses
* Microsoft Office
* C, C++, C#
* MIS
* Website Development
* Tally erp

Get TRAINED Get HIRED

30 Years of experience | 40 Countries | Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality

HL-B/5062/16,19,21/12



অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা

Manipur Cab Services

হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...



খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু

₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অথমনা শেমজনা package লৈজরি

Toll Free Number 1800-345-3838

GET IT ON Google Play

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/5719/23/11-22/12



OFFICE OF THE
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The Messenger of the Masses
DAILY NEWSPAPER IN MANIPURI & MEETEILON (MEETEI MAYEK SCRIPT) EDITION
KUMBI BRANCH : KUMBI BAZAR
ঈ-পাউ, এদভর্টিজমেন্টনচিংবা হাপ্পীবা য়াগনি।
Contact to : Kh. Deben Meetei
Mobile No. 9862414748
HL-C/105/21&22